HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur




মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমশিংগী মায়োক্তা দেল্লীগী জন্তর মন্তরদা দি এম সী সীগী ভোলন্টিয়রশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টতা মশীং য়াম্লবা মীতৈশিংনা শরুক য়াখিবা


থম্মোয় পাউদম : হৌজিক্তি করি? খনফম খঙদ্রে কনাসু ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ নীংথমথা লাকপদা ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিশিংদা ...
ষণবুশিংনা করম্না অফবা শঙ্গোম পুথোক্কনি ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবগীদমক মণিপুরদা অফস্পা...
বি জে পিনদি থৌওইনা মণিপুর মৈ চাকহনবা ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ সন্তোশ ট্রোফি : মণিপুরনা মিজোরাম অদুগা...


জিরিবামদগী অঙাং ৩ য়াওনা মীচম ৬ ফাদুনা পুখ্রগা মথং-মথং হাৎলকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পীক্লিবা অঙাংশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবা




Vol. 48, Issue No. 225 | নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈ ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, November 18, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখিবা মীওই ৬কী মনুংদগী রানি অমসুং চীঙ্খৈঙানবগী হকচাংশিং বরাক তুরেলদগী ফংলে

## হান্না ফংখিবা তেলেম থোইবী, থাজমানবী অমসুং লমঙানবগী মথক্তা রানি অমসুং চীঙ্খৈঙানবগী হকচাংসু ফংলবনিনা মখোয় ৬কী মনুংদা হকচাং ৫ ফংলে, হান্না ফংখিবা হকচাং ৩গী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১গী নুংথিলদা বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা জকুরাধোর লম্লোং অহুম ফাংবা কৈথেলদা মীতৈশিংগী দুকান অমসুং য়ূমশিং মৈ থাদুনা মীওই ২ মৈনা চাক্তুনা শিহল্লম্বদা নত্তনা পীক্লিবা অঙাং ৩গা মখোয়গী মমা অনীগা অমসুং মবোক্কা পূন্না মীওই ৬ ফাদুনা পুখিবগী মনুংদা থা অসিগী ১৫গী নুংথিলদা জিরিমুখকী বরাক







বরাক তুরেলদগী ফংলবা লাইশ্রম চীঙ্খৈঙানবা (চহী ২ মখায়) (ওই) অমসুং য়ুরেম্বম রানি (৬০) গী হকচাংশিং অমসুং মখোয়না হিংলিঙৈগী শক্তম

অমসুং জিরি তুরেল তাইনফম মনাক্তগী ফাদুনা পুবদা য়াওখিবা লাইশ্রম লমঙানবা (থা ১০), তেলেম থোইবী (৩০) অমসুং মচানুপী তেলেম থাজমানবী (৮)গী হকচাংশিং ফংখ্রবা মতুং ঙসি মশাগী চহী ৬০ হেনখ্রবী য়ুরেম্বম রানি মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ৱাই নবকিশোর অমসুং চহী ২ মখায় খক্তা ঙাইখিবা লাইশ্রম চীঙ্খৈঙানবা অপোকপা এল হেরোজিৎকী হকচাংশিংসু বরাক তুরেলদগী ফংবা ঙমখ্রে।

পাউচে অসিনা মখোয় অনীগী হকচাংশিং ফংখ্রিবা অসামগী লখিপুর পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা মহাদেব ঘাট অমসুং সিঙ্গরবোন্দগা তাইননা লৈরিবা মুতুম লৈকায়গী মীওইশিংদগী ফংবা পাউনা হায়বদা মখোয় অনীগী হকচাংশিংগী মনুংদা লাইশ্রম চীঙ্খৈঙানবগী হকচাংনা বোরাখাও অমনা য়োল্লগা তুরেল মরীল অসিদা তাথওরকপদগী ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদা থেংনখিবনি অদুগা ৱাই রানিগী হকচাংনা মহাক ফাবদা লিৎখিবা ফুরিৎ অরাংবা অদুখক্তমক মশাদা থোংলল্লগা তুরেল ঈমাইদা মমায় উপশিল্লগা তাওথরকখিবা ঙসি নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা থেংনখিবনি হায়রি।

মখোয় অনীগী মনুংদা চীঙ্খৈঙানবগী হকচাংনা সিঙ্গরবোন্দগা তাইনরিবা মুতুম লৈকায়গী হিদেন অমদগী ফংখিবনি। অদুগা ৱাই রানিগী হকচাংনা তুরেল মরীল অসিগী মহাদেব ঘাটতগী ফংখিবনি। হকচাং অনীমক লখিপুর পুলিসনা মফম অদুগী মীওইশিংগা খূৎশম্ননা লৌখৎলবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌনবা সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী মোর্চ্যুৱরিদা পুখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা অনীগী হকচাং ফংখিবগা মরী লৈনবা পাউনা হায়বদা ঙসি হকচাং অনী নৌহৌননা ফংবদগী মখোয়বু ফাদুনা পুখিবা মফমবু কোল্লিবা বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেশনগী মায়কৈদগী মখোয় অনীগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশননচিংবা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবা হৌরকপদা লখিপুর পুলিস ষ্টেশনগী মায়কৈদগী হকচাং অনীসি মখোয়গী জ্যুরিসদিক্সন ওইরিবা বরাক তুরেল মরীলদগী ফংবনিনা হকচাং অনী অসি ফংবগা মরী লৈননা মখোয়না কেস অমা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরগনি হায়রকপদগী বোরোবেক্রা পি এসকী মায়কৈদগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌনবগী থৌরাং মখা তানা তৌখিদে হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৫দা ফংখিবা তেলেম থোইবী, থাজমানবী অমসুং লমঙানবগী হকচাংশিংদি ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও) না লুচিংবা পুলিস টিম অমনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা ঙসি অয়ূক সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা চৎতুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পুং ৮ তারকপা ফাওবদদি পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরবা হকচাং অহুম জিরিবাম লোমদা পুরকপগী পাউ লৈখিদে। ঙসি ফাওবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখিবা অপূনবা মীওই ৬কী মনুংদা থেঙ্খাং অনীরক্তা হকচাং অহুম অমসুং অনী ফংবা ঙমখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা ফংদ্রিবা মীওই অমা খক্তমক ঙাইরে। মীওই অদু লাইশ্রম হৈতোম্বী (২৫) মপুরোইবা এল হেরোজিৎকী ওইগদৌরিবনি। অদুমকপু মহাকসু কুকি টেররিষ্টশিংগী খূৎতা লৈখিদ্রবরা নৎত্রগা হৌজিক ফাওবা হিংলিব্রা হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

নাকল অমরোমদা, মখোয় ৬ ফাদুনা পুখিবা অমসুং মখোয়গী মনুংদগী ৫গী হকচাং মথং-মথং ফংলকপগী মায়োক্তা জিরিবামগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা কন্দেম তৌরকপা লেপত্রি।

### করম থোক্লগবা মণিপুর লৈঙাক্কী লাইবক

# চীফ মিনিষ্টর বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্লা মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিনবা ঙমদ্রে হায়দুনা এন পি পিনা শৌগৎপা তোকখ্রে

**১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিং**

বি জে পি-৩২

এন বিরেন, এল সুসিন্দ্রো, টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, এল রামেশ্বর, টি ঐচ শ্যামকুমার, কে ঐচ ইবোমচা, কে ঐচ রঘুমনি, আর কে ইমো, ৱাই খেমচান্দ, টি ঐচ সত্যব্রত, ঐচ দিঙ্গো, এস রাজেন, এস রঞ্জন, এস কুঞ্জকেশোর, কে শ্যাম, এস কেবি, কে রোবিন্দ্রো, টি ঐচ বসন্তকুমার, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, টি রোবিন্দ্রো, এস প্রেমচন্দ্র, টি ঐচ রাধেশ্যাম, পি ব্রোজেন, য়ু দেবেন, ৱাই রাধেশ্যাম, এস এস ওলিস, লেটপাও হাওকিপ, নেমচা কিপগেন, দিঙ্গাংলুং গাংমৈ, বুংজাগিন ভালতে, লেটজামাং হাওকিপ অমসুং পাওলিয়ানলাল হাওকিপ।

...মখা লমায় ৩ কলম ৬



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী মীখল মতুংদা অপূনবা সিট ৩২ ফংদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ওইখিবা বি জে পিনা মমাঙগী লৈঙাক্তসু চৎমিন্নরকখিবা এন পি এফকা পূন্না অনৌবা লৈঙাক শেমখ্রবা মতুংদা মমাঙগী লৈঙাক্তা মিনিষ্টরিএল বর্থ ফংদুনা চৎমিন্নরকখ্রবসু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# কোংগ্রেসকী ওইনদি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফগনি হায়রবদি রিজাইন তৌনবা শেম শাদুনা লৈ : ইবোবী

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা তৌনীংবা তৌবদা ঙমদবা লৈতে হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর উননবা য়ুনিয়ন অমসুং মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক মশেলগী এপোইন্টমেন্ট লৌবীয়ু অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা হায়বা ঙমদবদু ওপোজিসনগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা হায়জগে হায়না ঙসি ফাওবা তকশিন্দুনা লাকপনি অদুবু লৈবাক মীয়ামগী য়াইফগদবা ওইরবদি হান্নদগীসু হায়দুনা লাক্লবা কোংগ্রেসনা পার্টিগী এম এল এশিং মীয়ামগীদমক রিজাইন তৌনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি অয়ূক বাবুপড়াদা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা চীফ মিনিষ্টর অহুল্লক ওইরল্লবা সী এল পি লিদর অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী মীয়াম ৱামনখ্রে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন পুল্লগা হায়রুসি হায়বনি। ওপোজিসনগী এম পিনা মণিপুরগী মরমদা ঙাঙলক্লিবসি মখোয়দা ফৈজিনবা ৱাহৈশিং ঙাঙবসু নত্তে, দবল ইঞ্জিন ওইবনিনা ঙাঙবনি। ওপোজিসনদি লৈঙাক্কী অশোনবা অমসুং অশোয়বা চুমথোক্লবা থৌদাং লৌবনি হায়খি।

হৌজিক মণিপুর পুমতোই তোইরে, ৱাবনা খম থেংলে। মরম অসিনা প্রাইম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### জিরিবাম : কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী ওফিস থুগাইরগা পোৎলমশিং মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):**

ঙসি নুমিদাং পুং ৭ হেল্লকপদা জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী ওফিস থুগাইরগা চঙলক্তুনা ওফিস মনুংদা থম্বা চে-চাং, ফাইলনচিংবা অমসুং ফর্নিচরশিং মপান্দা পুথোক্লগা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

থৌওং অসি চথখিবা খোইশাওনরবশিংনা চীফ মিনিষ্টর পন্দুনা ফজদবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা লাউ খোংখি হায়রি।

### সিক্যুরিটিনা কাপ্লদা ১ শিরে, ভি দি এফ অমা শোক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):**

ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৫০ রোম তারকপদা জিরিবামদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা লাকখিবা সিনিয়র এস পি অমগী টিমগা নহাশিংগগী মরক্তা নীংঙাই শংদানরকপদগী সিনিয়র এস পি টিমগী মায়কৈদগী কাপথোরকপা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা জিরিবাম সোরোক অতিংবী হিলঘাটতগী নহা অমা থৌদোক থোকফমদা শিরে অদুগা ভি দি এফ অমনা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোক্লে হায়রি।

### মীওই ১ কাপ্পুনা হাৎলল্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):**

ঙসি অয়ূক অঙনবদা জিরিবাম পি এসতগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ১২ রোম লাপ্পনা লৈবা নিংথেম খুলগী মফম অমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলল্লবা মীওই অমগী হকচাং লৈরল্লে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা মীওই অদু ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা শকখঙদবা মীওই খরনা জিরিবাম লম্লোং ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# হরাওরৌদা লৈবা আর এস এসকী ওফিস অমাঙ অতা থোকহল্লম্বা অমসুং এন পি পিনা শৌগৎপা তোকখিবদগী অমিট শাহগী মহারাষ্ট্র খোঙচৎ তোকখ্রে

## মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম রিভিয়ু তৌবা হৌখ্রে, ঙসি মীফম পাঙথোক্লবা য়াই

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১দা জিরিবামদগী পীক্লিবা অঙাং ৩, নুপী ৩ পূন্না মীওই ৬ কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা অঙাং ৩ য়াওনা নুপী ২ হাৎতোকখিবদগী মখোয়গী হকচাংশিং মথং-মথং ফংলকপদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না ঙরাংদগী হৌরদুনা এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা থোমজিনবা, থুগাই-য়ৈখাইবা অমসুং মৈ থাবনচিংবা থৌওংশিং চথরকপদা নত্তনা ঙসি অয়ূক হরাওরৌদা লৈবা রাষ্ট্রিয় স্বায়মসেবক (আর এস এস) কী ওফিসসু অকাই-অতোই থোকহল্লম্বদা নত্তনা এন পি পিনা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোক্লগনি হায়খিবদগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মহারাষ্ট্র ইলেক্সন কেম্প্যেনগা মরী লৈননা চৎননবা থৌরাং তৌরল্লবসু কেন্সেল তৌরগা দেল্লীদা হল্লকখ্রে।

আর এস এসকী ওফিস অদু ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং পি এসনা কোনবা হরাওরৌদা লৈবনি। ওফিস অসি চহী ৪/৫গী মমাঙদা মফম অদুদা লৌ পরি ৪/৫ মুক পাক-চাউবা মফমদা শাখিবনি। ওফিস অসিদা মী লিশীংমুক চনবা হোল ৪/৫ লৈবদা নত্তনা এগ্রিকলচর অমদি হোর্টিকলচরনচিংবগা মরী লৈনবা ট্রেনিং কয়া পাঙথোরকখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমদি আর এস এসকী লুচিংবশিং লাকপদা থুংফম ওইনবা য়ূম খরা ফাওবা শারিবা মফম্নি। অদুবু ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা করম্বা মীওইশিংনো খঙহৌদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### খোইশাওনরবা মীয়াম্না মীহুৎশিংগী য়ূমদা থোমজিনবা লেপত্রি

# মিনিষ্টর গোবিন্দাস অমসুং এম এল এ ব্রোজেনগী য়ূম মৈ থারম্লে





খোইশাওনরবা মীয়াম্না মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম (ওই) অমসুং এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী য়ূম অকাই-অতোই থোকহল্লম্বা অমসুং মৈ থারম্বা

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১১দা জিরিবামদগী অঙাং ৩ য়াওনা মীচম ৬ কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা অঙাং ২গা নুপী অমগগী হকচাংশিং ফংবদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না ঙরাংদগী হৌরদুনা এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা অকাই-অতোই থোকহনবদা নত্তনা মৈ থাবনচিংবগী থৌওংশিং চথরকখিবগী মনুং চন্না ৱার্ক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাসকী নিংথৌখোং কৈথেলদা লৈবা য়ূমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা গেট নমখায়দুনা ঙরাং নুমিদাং থোমজিল্লকখিবা মীয়াম্না শঙ্গোয়দা থম্বা পোৎ চৈ পূম্নমক চাইখাইরগা মৈ থাদোক্লম্লে।

মিনিষ্টরগী য়ূমগী মথোল অনী ফাওবগী মনুংদা থম্বা টিভি, কম্প্যুটর, অলমিরা, সোফা অমদি ইমুংগী পোৎ চৈশিং থুগাইবগা লোয়ননা মৈ থাদোক্লমখিবনি।

থৌদোক অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা উরিপোক্তা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লি




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** বোরোবেক্রা সব দিভিজনদগী থা ৮গী অঙাং য়াওনা মীওই ৬ কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা অশিবা হকচাংশিং ওইনা ফংবা হৌরকপদগী উরিপোক অপূনবা লূপনা শীন্দুনা এ সী অসিগী ওইনা কুকি মিলিটেন্টশিংবু ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# য়াম্না ৱানা শাজখিবা য়ূম অদু শঙ্গারবা মতুং মথংগী নুমিৎতগী লাঞ্জেল্লকখিবনি, হৌজিক্তি শঙ্গাবদা ঙাইহৌরিবা য়ূম অদুসু কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থাদোকপীখ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**সেরৌ কৈথেলদগী খুঞ্জা**

(ঙরাংগী মখা...)মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা মীতৈদা অতম্লনা ওনশিন্দুনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা লৈত-লৈত শাজবা য়ূম শঙ্গাবা নুমিৎকা থংনবা মথং নুমিৎতা লৈজবা ফংদনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা চনম্বম অল্লনা চনুনা মখা তানা পাউচে অসিদা হায়, রিলিফ কেম্পতা করিসু তৌদনা লৈরকপদগী ভোলন্টিয়র ইমাশিংনা জগোয়-ঈশৈ, থাঙ-তানচিংবা ঐখোয়দা তম্বীনবগীদমক ওজা হায়নবীদুনা ঐখোয়বু সনামহী টেম্পল বোর্দকী মখাদা ওজা ইন্দিরা চনুনা লমজিং-লমতাকপীদুনা ঈশৈ তম্বীরকখি। হৌজিক্তি ঐহাক লুহোংবগী ঈশৈ ফাওবা শকপা ঙম্লক্লে হায়রি।

ঐহাক্লা পীক্লিঙৈদগী ঈশৈবু য়াম্না পামজনা হৌরকখি অদুবু ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী ফীভম চাদবনা অমদি অনকপা মফমদা ঈশৈ তম্ফম লৈতবগা লোয়ননা ইম্ফালদা অশানবা কা ৱাইদুনা লৈগদবসু শেল লৈতবদগী ঈশৈ তম্বা ঙম্লকখিদবনি। অদুবু রিলিফ কেম্প অসিগী ভোলন্টিয়র ইমাশিংনা ঐহাক্লা পামজনা মঙজরকখিবা মঙলান অমদি মঙফাওনহনবীরে, মখোয়গী লমন পূন্সিগী শিংবা ঙম্লরোই হায়নসু মিৎতগী মপি তানা কপ্পুনা ফোঙদোরকখি।

অল্লনানা হায়, হৌজিক থা ১৯ শুরক্লবা ফাওবদা লান অসি লোইশিনবিদ্রে। ঐখোয়দা ফাওরিবা পেন্দবা কয়া অমা লৈরি। অদুবু ফনা হায়জরুরবসু মখোয়না তাবীদ্রবনিনা করিসু হায়নীংদ্রে। মীয়াম্না অসুক য়াম্না লাউ খোংলিবা অমসুং মীশি মীনা য়াওরিবা ময়াম অসি ফাওবদা মখোয়না করিসু তাবীদ্রবনিনা হায়রুবগী কান্নবসু লৈত্রে। অদুবু থম্মোয়দদি পেন্দবা অদুক্কী মতিক ফাওরি। ঐহাক্লা পামজবদি ঐখোয়গী য়ূম শাবীবা-শাবীদবগীদি করিসু খন্দ্রে, লান অসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরকপীদুনা লান অসিবু লোইশিনবীয়ু অদুগা ঐখোয়গী য়ূম লৈজদ্রবসু পাকখন অমা খল্লগা ওইরবসু ইশাগী ইঙ্খোলদা লৈজবা পাম্মী হায়রকখি।

### খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মতম কক্তবা ৱাকৎ খোঙজং চথরি

# পুং ২৪গী মনুংদা এম এল এশিংগী ফিরেপ লাউথোকউ হায়খিবদু ঙাইরি : কোকোমি




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাংদগী হৌরদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অহুমগী লুচিংবীশিং য়াওনা কোকোমিনা মতম কক্তনা চথরকখিবা ৱাকৎ খোঙজং ঙসিসু মখা তানা চঙশিনখিবগা লোয়ননা কোকোমিগী ৱাঙাঙলোই খুরাইজম অথৌবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তম্পাক্কী পুলিস ষ্টেশন ৬না কোনবা মফমশিংদা অমুক হন্না অফস্পা চৎনহল্লকপা হায়বসি হৌজিক থোক্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১-৯৭৭৪৮০৩১৪৫